# প্রসিদেন্ট মীখলগী ভোট থাদনবা লোইখ্রে

## জুলাই ২০দা কনানা মায় পাকপগা হায়বদু খঙলগনি




*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৭ঃ*

ইন্দিয়াগী ১৪শুবা প্রসিদেন্ট মীখল ঙসি পুং ১০ তাবদগী হৌরগা পুং ৫ ফাওবা চত্থখি। প্রসিদেন্ট খন্ননবা মীখল অদুদা ঙন্না ভোট থাখিবশিংগী মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি য়াওখি।

পার্লিয়ামেন্ট হাউস অমসুং তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংগী এসেমব্লীদা পোল্লিং ষ্টেসন হাংদুনা ভোট থাদনখি। লোক সভা, রাজ্য সভা অমসুং ষ্টেট এসেমব্লীগী মেম্বর কয়া ভোট থাদনবা ঙাইনখি।

ওপোজিসন পার্টিনা রিজনেল পার্টিশিংদা হায়জদুনা ভোট ফংননবা হোৎনখি। নেসনেল দিমোক্রেটিক এলাইন্স (এন দি এ)গী নোমিনি অমসুং হান্নগী বিহারগী গভর্নর রামনাথ কোবিন্দ মীখল অসিদা মীরেপ ওইরি। নাকল অমরোমদা ওপোজিসন পার্টি ১৪না শৌগৎপা লোক সভাগী হান্নগী স্পিকর মৈরা কুমারসু প্রসিদেন্ট মীখল অসিদা মীরেপ ওইরি।

ইলেক্সন কম্মিসননা ঙসি পাঙথোকখিবা মীখল অদু য়েংশিন্নবগীদমক ওবজার্বর ৩৩ হাপ্পুনা থবক তৌহনখি। ওবজার্বর অনীনা পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা লৈখি। অদুগা অতোপ্পা ওবজার্বরশিংনা ষ্টেট তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংগী এসেমব্লীদা মথৌ তৌখি।

ঙসি পাঙথোক্লিবা প্রসিদেন্ট মীখল অসি ফল জুলাই ২০দা লাউথোক্কনি। মীখল অসিদা এম এল এ ৪১২০ অমসুং ইলেক্টেদ এম পি ৭৭৬ য়াওনা পুন্না ভোটর ৪৮৯৬না ভোট থাদনবগী খুদোং চাবা ফংখি।

উট্টরপ্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথ অমসুং গোৱাগী চীফ মিনিষ্টর এম পি ওইবদগী ফম থাদোকখ্রবা মতুং মখোয় মখোয়গী এসেমব্লীদা ভোট থাদখি।

এন দি এগী মীরেপ রামনাথ কোবিন্দনা হন্দক্কী প্রসিদেন্ট মীখল অসিদা ভোট মশিং হেন্না ফংদুনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না এম ভেঙ্কয়া নাইদুনা ফোঙদোরক্লি। মথংগী প্রসিদেন্টকী মতাংদা ভেঙ্কয়ানাইদুনা মখা তানা হায়, নেসনেল দিমোক্রেটিক এলাইন্সনা প্রসিদেন্ট মীখল অসিগীদমক রাম নাথ কোবিন্দ থাগৎলি। মহাক্না মহাক্কী লম্বাদগী চাওনা ভোট মশিং হেন্দুনা মায় পাক্কনি। কোবিন্দনা শীংথানিংঙাই ওইবা চাংদা ভোট মশিং শোইদনা হেনগনি হায়রি।

এন দি এদা হৌজিক মথংগী ওইনা থেংনগদবা লানফমদি ভাইস প্রসিদেন্টকী মীখল অসিনি। বি জে পি পার্লিয়ামেন্টরি বোর্দকী মীফম পাঙথোক্তুনা চুংশিন্নবা কাংবু অদুনা ভাইস প্রসিদেন্টকী মীরেপ খনবগী তঙাইফদবা লৈরি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রবি সঙ্কর প্রসাদনা হায়, কোবিন্দনা চাওনা মায় পাক্লগনি হায়বদু য়েংননিংঙাই লৈত্রবা অমনি। হৌজিক ভাইস প্রসিদেন্টকীদমক মীৎয়েং থম্বা তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

কংগ্রেসকী লুচিংবা গুলাম নবি অজাদনা হায়, এন দি এগী মীরেপ কোবিন্দ অমসুং য়ু পি এগী নোমিনি মৈরা কুমার আইদোলোজি কেল ওইবা লমদা মীখল অসি থেংনখিবনি। লৈবাক অমগী প্রসিদেন্ট হায়বদু ৱাখল লৈবা অমদি মীয়াম্বু মান্নবা মীৎয়েং অমদা য়েংবা ঙম্বা মীওই ওইগদবনি।

মীখল অসিদা কাংলুপ জাৎ খাইবগী ৱাফম লৈতে। ঐখোয়না খল্লি। মৈরা কুমার খ্বাইদগী ফবা মীরেপ অমনি হায়খি। মদুগা মান্নন রাজ্য সভাগী এম পি খরনা ফোঙদোরক্লি।

সি পি আই (মাক্সিস) জেনরেল সেক্রেটরি সিতারাম য়েচুরিনা ভোট থাদগদৌরিবা মীওইশিংদা পুক্লিং লৈতানা অমদি অফবা ৱাখল্লোল অমগা লোয়ননা ভোট পীগদবনি। ইন্দিয়ান কাউন্সটিট্যুসনগী চৎনা পথাপকী মখাদা মীখল অদু পাঙথোকপনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

শীংথানিংঙাই ওইবা থৌওং অমা ওইনা মহারষ্ট্র জেলদা লৈবা নেসনেলিষ্ট কংগ্রেস পার্টি (এন সি পি)গী এম এল এ ২সু ঙসিগী মীখল অদুদা শরুক য়াদুনা ভোট থাদখি। মতম খরগী ওইনা মীওই অনী অদু প্রসিদেন্ট মীখলগী ভোট থাদনবগীদমক জেলদগী থোক্লকখি। মীওইশিং অদুদি মহারষ্ট্রগী হান্নগী দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর চগন ভুজবা অমসুং রমেস কদামনি হায়রি।

মখোয় তোঙান-তোঙানবা শেঞ্জা-থুমজাগী কেসকা মরী লৈননা জেলদা লৈরিবনি হায়রি। ভুজবাগী হকচাংগী ফিভম য়েংলগা মহাক এম্বুলেন্স অমদা মহারষ্ট্র এসেমব্লীদা পুরকখি। অদুগা কদামনা পুলিস ভেন অমদা ভোট থাদনবা এসেমব্লীদা পুরকখি হায়রি।

লুচিংবা অনীনা ভোট থাদবা লাকখিবা মতমদা মেদিয়াদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকউ হায়বা য়াখিদে। ভুজবা থা ১৮গী মমাঙদা তোঙান-তোঙানবা শেঞ্জা-থুমজাগী কেস অমসুং মনি লোন্দরিং কেস লৌখৎতুনা জেলদা লৈরকখিবনি।

অদুগা কদামনা চহী ২গী মমাঙদা থোকখিবা লুপা ক্রোর ১৪১গী কেস অমগা মরী লৈননা জেলদা লৈরকখিবনি হায়রি।

# অরিজোনাদা খঙহৌদনা চাওরকখিবা ঈচাওনা মীওই ৯ শীহনখ্রে

*টোন্টো, জুলাই ১৭ঃ*

অরিজোনাগী টোন্টো নেসনেল ফোরেষ্টতা খঙহৌদনা চাওখৎলকখিবা ঈচাওনা য়ামদ্রবদা মীওই ৯ শীখ্রে। অদুগা চহী ১৩ রোম শুরবা নুপা মচা অমা মাংখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।



গিলা কাউন্টিগী সেরিফ দেবিদ হোরনুনা এসোসিয়েট প্রেসতা ফোঙদোকখিবদা অরিজোনাগী ময়াই থংবা পেসোনদা লৈবা কোলস্প্রিংদা ঈরোইদুনা শান্নরিঙৈ মতমদা খঙহৌদনা চাওখৎলকপা ঈচাও অদুনা মীওই ৯গী পুন্সি মাংহনখি। অদুগা অমনা থিবা খঙহন্দ্রে হায়রি।

থাংজ নুমিৎকী নুমিৎ য়ুংবা মতুংদা মফম অদুদা লৈখোম লৈনাং য়াওবা ঈশিং কয়া চেম্থরকখি। মফম অদুদা চহী ২দগী ৬০ ফাওবদা লৈবা মীওই কয়া ঈরোইদুনা শান্নখি।

কালেন থাগী শারবা মতম অদুদা ঈংহন্নবগীদমক মীওই কয়া ঈরোইদুনা শান্নরিঙৈদা খঙহৌদনা চেম্থরকখিবা শাখিবা ঈচেল অদুনা খুদোংচাদবা কয়া থোকহনখি। দিসা অলেকজেন্দর কৌবা মফম অদুদা ঈরোইদুনা শান্নখিবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা মফম অদুগী ঈশিংগী ঈমায় খঙহৌদনা ৱাংখৎলকখি। মহাক হান্ননা লৈরমখিবা মফম অদুদগী মাইল ২ রোম লাপ্পা তুরেলগী ঈচেলনা চেম্বদুনা লৈরমখি।

মহাক্না খঙলকপা মীৎকুপ্তা নুপা অমনা অঙাং অমা পমদুনা উ পাম্বী অমদা কোনশিন্দুনা লৈরম্বা উখি। মদুতা নত্তনা নুপা অদুগী লোইনবীসু উ পাম্বী অদুগী মনাক্তা লৈরমখি। তুংদা মখোয় ঈচেল অদুনা চেম্বদুনা পুখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

চেম্থরকখিবা ঈশিংগী মচু অদু ৱাওথাংনখি। সেকেন্দ ২০গী মতুংদা শাখিবা ঈচেল অমগা লোয়ননা চেম্থরকপা উখি। অহানবদদি মদ স্লাইদ থোক্লবোই নিংখি হায়রি। অলেকজেন্দরনা থাগৎলিখবা ভিদিও ফুটেজদা মহাক শীরে হায়না খনখি হায়রি।

মীওই কয়া উ পাম্বীশিংদা কোন্দুনা মী কনবা কাংবু লাকপা ঙাইদুনা লৈবা উখি হায়রি।

# পাকিস্তানদা সুসাইদ বোম পোকখায়বদা ২ শীরে

*পেসৱার, জুলাই ১৭ঃ*

পেরামিলিটরি ফোর্স পার্সেনেলশিং পুবা গারী অমদা সুসাইদ বোম পোকখায়হন্দুনা এটেক্ট চত্থরকখিবদা ঙসি লান্মীগী মেজর অমা য়াওনা মীওই ২ শীরে। অদুগা ১০না অশোক অপন নংখ্রে।

পাকিস্তানগী অৱাং নোংচুপ থংবা লালহৌবগী ইরাংনা লৈতাদ্রবা হয়াটবাদ লমদমদা পোকখায়বা য়াবা মচাক থন্না য়াওবা মোটোর সাইকল তোংদুনা লাকপা সুসাইদ বোম্বর অমনা ফ্রন্টিয়র কন্সষ্টেবুলারি কনভোইদা থোমজিন্দুনা বোম পোকখায়হল্লকপদা লান্মীগী মেজর য়াওনা মীওই অনী শীহনখি। অদুগা মীওই কয়ানা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়রি।

লম্বী অদুদা লাকপা অতোপ্পা মীওই ১০সু অশোক অপন নংখি। হয়াটবাদকী মনুং চনবা বাগ-ই-নরন চোকতা মশা শীজদুনা বোম পোকখায়হল্লকপগী থৌদোক অদুদা চাওনা অমাং অতা নংখ্রে।

কনভোই অদুগী শরুক অমা ওইনা লাকখিবা গারী অনি চাওনা অমাং অতা থোকহনখি। সিক্যুরিটি ফোর্সনা মফম অদু কোইশিন্দুনা থল্লবা মতুং মী কনবগী থবক চত্থখি। লোয়ননা অশোকপশিং হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি হায়রি।

# চাইনাগী ঈচাও খুদোংথিবা থাক্তা লৈরে

*বৈজিং, জুলাই ১৭ঃ*

চাইনাগী অৱাং নোংপোক থংবা জিলিন প্রোভিন্সতা অকনবা নোং চুবনা মরম ওইরগা ঈচাও থোক্লে। ঈচাও অদুনা মরম ওইরগা য়ামদ্রবদা মীওই ১৮ শীখ্রে। অদুগা মীওই কয়ানা থিবা খঙদনা লৈরি হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

চাইনাগী ময়াই থংবা অমসুং নোংপোক থংবা প্রোভিন্সশিংদা হৌখিবা শগোলশেন অমসুং ঈরাই নুমিৎতগী অকনবা মওংদা নোং চুরকখিবনা মরম ওইরগা মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে। জিলিংগী মরু ওইবা সহরশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরে। মীওই ১১০,০০০ শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকখ্রে হায়না সিটি ফ্লদ কন্ট্রোল এন্দ দ্রাউগ রিলিফ ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

## GAS TODAY

**MISAO GAS**
Booking upto .......20/04/2017
Valid from ........... 12/04/2017
Stk..................................306
Timing.........7.30 to 10.00 am

**ATHOKPAM INDANE, WANGJING**
Booking upto .......10/04/2017
Valid from ........... 26/03/2017
Stk..................................306
Timing.........7.30 to 10.00 am

**YAIRIPOK GAS SERVICE**
Booking upto .......07/04/2017
Sl. No. ........................ 18890
Valid from ........... 05/04/2017
Stk..................................306
Timing.........7.00 to 10.00 am

**K & K INDANE SERVICE**
Booking upto .......15/04/2017
Sl. No. Upto ................... 100
Valid from ........... 12/04/2017
Stk..................................612
Timing.........7.30 to 11.00 am
FIRST COME FIRST SERVE

**MANIPUR GAS**
Booking upto .......06/04/2017
Valid from ........... 04/04/2017
Stk..................................306
Timing.........7.30 to 09.30 am

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
Booking upto .......12/04/2017
Sl. No. Upto ................. 9010
Valid from ........... 10/04/2017
Stk..................................306
Timing.........7.00 to 11.00 am

**LAMSANG GAS**
Booking upto .......25/03/2017
Valid from ........... 23/03/2017
Stk..................................306
Timing.........7.00 to 10.00 am

**RBD INDANE SERVICE**
Booking upto .......14/04/2017
Valid from ........... 05/04/2017
Stk..................................306
Timing.........6.00 to 10.00 am

# উরিষাদা অকনবা নোং চুখ্রে, ফ্লদ এলার্ট লাউথোকখ্রে

## ষ্টেট কয়া ঈশিং চাওবগী অৱাবা মায়োক্লরে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৭ঃ*

উরিষাদা কা হেন্না কনবা নোং চুরকখিবগী ফিভম য়েংলগা ষ্টেট অদুদা রেদ এলার্ট লাউথোকখ্রে। তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিং ফাওনা চেনবা নাগাভালি অমসুং কল্যানি তুরেলগী ঈমায় পাথোক্তুনা কালাহন্দি অমসুং রয়াগদা দিষ্ট্রিক্টশিং পাক শন্না ঈশিং থুমজিনখ্রে।

ঙরাং উরিষা লৈঙাক্না ষ্টেট অদুদা ওইরিবা ফিভম য়েংলগা আর্মি অমসুং এয়ারফোর্সতা ঈশিংনা কোইশিন্দুনা লৈখ্রবা মীওইশিং কনবদা মতেং পাংবিনবা হায়জখ্রে। লোয়ননা সেন্টরদা রেস্ক্যু ওপরেসন চত্থনবগীদমক ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী চেপ্পরশিং থাবিরক্লবসু হায়জখ্রে হায়রি।

উরিষাদা নত্তনা গুজরাট অমসুং অসামদা অকনবা নোং চুবনা মরম ওইরগা মীওই কয়াগী পুন্সি মাংহনখ্রে। গুজরাটতা ঈচাওনা শীহনখিবা মীগী মশিং ৯ শুখ্রে। অদুগা অসামদনা ৬০ শুখ্রে হায়রি।

চীফ মিনিষ্টর নবিন পটনায়কনা হায়, ষ্টেট অদুদা ওইরিবা ঈচাওগী ফিভম অদু কুপ্না য়েংশিল্লি। নাগাভালি অমসুং কল্যানি তুরেলদগী পাথোরকপা ঈশিংনা ঈচাও থোকহল্লবা রাইগদা দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা ঈশিংনা কোইশিনখ্রবা মীয়াম কন্ননবা অখন্নবা থবক পায়খৎলি।

ষ্টেট অদুগী মরু ওইবা লম্বী অমসুং থোং লোয়ননা রেলৱে, ওভরব্রিজ কয়া ঈশিংনা চেন্থখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা ষ্টেট অদুদা সার্ভিস তৌগদবা ট্রেন সার্ভিসতা চাওনা অকায়বা থোকহল্লে হায়রি।

ভুবনেশ্বর মেটেরেলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্টর সরত সাহুনা হায়, লমদম অদুদা প্রেসর হল্লনা লৈবনা মরম ওইরগা অৱাং নোংচুপ থংবা ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং উরিষাগী শরুকশিংদা অকনবা নোং চুগনি হায়রি।

রয়াগদা দিষ্ট্রিক্টকী ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিংদা লেম্না চানবা চিঞ্জাক পীরি। গুজরাটতা নৌনা মীওই ৯ শীখ্রে। অদুগা ৪০০ হেনবনা মী কনবা কাংবু এয়ারফোর্সকী মতেংগা লোয়ননা হৌখিবা নুমিৎ নিনিদা কনবা ঙমখ্রে হায়রি।

অসামদা ওইরিবা ঈচাওগী ফিভম হৌজিকসু নুংনাংনিংঙাই ওইরি। তুরেলশিংগী ঈমায় হন্থখ্রবসু মফম কয়া ঈশিং থুমজিন্দুনা লৈরি। ঙরাং নৌনা মীওই ১ শীখিবগা লোয়ননা অসামদা ঈচাওগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা শীখিবা মীগী মশিং ৬০ শুখ্রে। অদুগা ষ্টেট অদুগী দিষ্ট্রিক্ট ২১দা লৈবা মীওই লাক্ষ ১০ রোম অৱাবা নংহল্লে হায়রি।

মফম অনীদা ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী ঈমায় পাথোক্তুনা চেল্লি। নিমাটিঘাট অমসুং দুব্রিদা ব্রহ্মপুত্র তুরেল পাথোরকপনা মরম ওইরগা মহৈ মরোং থাবা লৌবুক হেক্টর লিশিং ৫০ ঈশিং মনুংদা লৈখ্রে।

ওথোরিটিনা হৌজিক রিলিফ কেম্প ২৮০ হাংদোক্তুনা মীওই কয়া চংজফম পীরি। মদুতা নত্তনা দিষ্ট্রিক্ট ১৫গী ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিংদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংহনবগী থবক পায়খৎলি হায়রি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা লৈবা শাশিং অমসুং য়েন মচিঞ্জাক ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরে। মী কনবা কাংবুনা শজিক অমসুং শা-ষণশিংগী চানবা চিঞ্জাকশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরিবা মফমশিংদা থাজিনখ্রে হায়রি।

অরুনাচল প্রদেশকী শরুক কয়াদসু লেন্দ স্লাইদ অমসুং ঈচাওনা চাওনা অকায়বা থোকহল্লে। ষ্টেট অদুদা ঈচাওনা মরম ওইরগা য়ামদ্রবদা মীওই ৫গী পুন্সি মাংখ্রে হায়রি।

নাকল অমরোমদা খা থংবা ইন্দিয়াগী মহারাষ্ট্রগী থানে দিষ্ট্রিক্টতা অকনবা কুমগী নোংনা মরম ওইরগা য়ুম নিংখায়বদা মীওই ২ শীখ্রে। অদুগা ৪না অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

জম্মু অমসুং কাশ্মীরদসু অকনবা নোংনা চাওনা অকায়বা থোকহনখি। অকনবা নোং অদুনা রম্বান দিষ্ট্রিক্টতা লেন্দ স্লাইদ থোকহন্দুনা জম্মু-শ্রীনগর হায়ৱেদা চখোক চৎশিন তৌবদা চাওনা অকায়বা থোকহল্লে হায়রি।

# লাস্কর টেরোরিষ্ট সালেম খান মুম্বাই এয়ারপোর্টতগী ফারে

*মুম্বাই, জুলাই ১৭ঃ*

লাস্কর-ই-টোইবাগী মরু ওইবা থৌ পুবা সালেম খান মুম্বাই এয়ারপোর্টতগী ফারে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি। মীওই অদু হৌখিবা চহী ৯ চুপ্না লোৎতুনা লৈরকখিবা মীওইনি হায়রি।

উট্টরপ্রদেশ এ টি এস অমসুং মহারাষ্ট্র এ টি এসকী অপুনবা খুৎপু অমনা চত্থখিবা ওপরেসনদা মীওই অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। মহাক মুম্বাইদা হৌজিক হৌজিক ৱাহং পাউহং চত্থরি হায়রি।

ইং ২০০৮দগী লৈঙাক অসিনা পাম্না থিরকখিবা মীওই অদু মুম্বাইদা থুংলবদা ফাগৎখিবনি। মীওই অদুনা করম্বা মফমদা থুংলখিবগে হায়বদুদি চপ চানা ফোঙদোরকখিদে। অদুম ওইনমক মহাক মুম্বাই এয়ারপোর্টতগী ফাগৎখিবনি হায়বগী থাজবা লৈ।

সালিম খান উট্টরপ্রদেশকী বদিদপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা হাথাগাও খুঙ্গংগী ফাটেপুরদা লৈবা মীওইনি। থিজিনবা কাংবুনা ফোঙদোরকখিবা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা খান মুম্বাই এয়ারপোর্টতগী ফাবনি হায়রি।

উট্টরপ্রদেশ এ টি এসনা ফোঙদোরকখিববদা মহাক মখা তানা ৱাহং পাউহং চত্থনবগীদমক মুম্বাইদা থিজিন হুমজিনবা কাংবু অমা চংশিনখ্রে। ইং ২০০৮দা রাম্পুরদা লৈবা সি আর পি এফ কেম্পতা এটেক্ট চত্থবদা চেন্নবনি হায়বা টেরোরিষ্ট ২ ফাগৎপা ঙমখি। মখোয়না হায়দোরকপগী মতুং ইন্না খান পুলিসনা থিদুনা লাকখিবনি হায়রি।

মহাক পাকিস্তানগী মুজাফর বাঘতা লৈবা টেরোরিষ্ট কেম্প অমদা লৈ হায়বসু খঙবা ঙমখি। পাকিস্তানগী ইন্টরিম সার্ভিস ইন্টিলিজেন্স এজেন্টশিংনা মহাকপু শীজিন্নে হায়বসু খঙবা ঙমখি হায়রি।

**সনা-সুদোকু- ৯০৮ গী সোল্যুস**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 5 | 3 | 8 | 1 | 6 | 4 | 7 | 2 |
| 2 | 1 | 4 | 7 | 3 | 5 | 8 | 6 | 9 |
| 6 | 7 | 8 | 4 | 2 | 9 | 1 | 3 | 5 |
| 8 | 2 | 7 | 3 | 5 | 4 | 9 | 1 | 6 |
| 4 | 9 | 5 | 6 | 8 | 1 | 7 | 2 | 3 |
| 3 | 6 | 1 | 2 | 9 | 7 | 5 | 8 | 4 |
| 7 | 3 | 9 | 5 | 6 | 8 | 2 | 4 | 1 |
| 1 | 4 | 6 | 9 | 7 | 2 | 3 | 5 | 8 |
| 5 | 8 | 2 | 1 | 4 | 3 | 6 | 9 | 7 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-909**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | 9 | | |
| | 2 | | 6 | 4 | | 8 | 5 | |
| | | | | | 1 | | 3 | |
| | | | | 1 | | 6 | | |
| | | 8 | 5 | 3 | | | | |
| | 6 | 3 | | 7 | 2 | | | 5 |
| | | | | | | | | 8 |
| 3 | | | 7 | 9 | | 5 | 4 | |
| | | | | | | | 1 | 6 |


NATIONAL HEALTH MISSION

# PANDEMIC INFLUENZA A H1N1 (SWINE FLU)

**Symptoms of the disease :**

Sudden onset of HIGH FEVER with Cough, Sore Throat, Runny or stuffy nose with Difficulty in breathing

Other symptoms may include : Body Aches, Headache, Fatigue, Chills, Diarrhoea, Vomiting, Blood in sputum

People with certain chronic medical conditions, adults 65 years or older, children younger than 5 years old and pregnant women may be at higher risk for severe illness.

**Do's & Dont's**

**DO**

- Cover your mouth and nose with a handkerchief or tissue when you cough or sneeze.
- Wash your hands **often** with soap and water or use an alcohol based hand gel.
- Avoid touching your eyes, nose or mouth.
- Avoid crowded places
- Stay more than an arm's length from persons afflicted with flu
- Get plenty of sleep
- Drink plenty of water and eat nutritious food

**DO NOT :**

- Shake hands or hug in greeting
- Spit in public
- Take medicines specially aspirin without consulting a physician

**IF YOU THINK YOU HAVE H1N1 FLU :**

- Stay at home, if advised by the doctor.
- Do not travel or go to work or school.
- Avoid close contact with others for 7 days after your symptoms begin or until you have been Symptom-free for 24 hours whichever is longer.
- Report to nearest identified health facility if symptoms aggravate (high fever, difficulty in breathing, blue colour of the skin or lips, blood in sputum or altered behaviour.
- Small children may be irritable, do not take fluids and refuse to accept feeds.

SL/BILL 18,20

**Issued in public interest by Directorate of Health Services/ National Health Mission, Manipur**